# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-49

**(To what extent we are ready? The mitigation measures)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) চাওরেল - কোলেজ প্রোফেসার (২) কংলৈঙানবা - সোসিয়েল ৱার্কর (৩) ৱাংঙন্বা - ইনভাইরোনমেন্টলিষ্ট

নুপীঃ- (১) তম্পাকলৈমা - চাওরেনগী নুপী
(২) হীয়াইনু - সাইন্স রাইটর

(মতম:- নুমিদাংৱাইরম, মফম: কনফরেন্স হোল, ময়াম চৎথোক-চৎশিন তৌবগী মখোল, অমগা অমগা ৱারী শান্নবগী খোঞ্জেন)

হীয়াইনু :- হল্লো দাক্তর ৱাংঙন্বা... হল্লো দাক্তর অমুক্তা ঙায়বীখোও ৱা অমতা হায়জহৌখিগে .... দাক্তর .... দাক্তর ৱাংঙন্বা.... (কৌর কৌরগা তান্নরকপা)।

ৱাংঙন্বা :- আ.... ঐবু কৌবীবরা... করি হায়বীগদবনো... সোমবু কনা ওইবীরবনো ঐ অদোম্বু লাকশিনবা ঙমজদরে, ৱারৌবীবা য়াদেকো....।

হীয়াইনু :- (নোকপা) ঐগা সোমগা থেংনজরিবসে ঙসিনা ইহান হানবনি, অদোমনা ঙসিগী ‘কনফরেন্স ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ এন্দ ইতস মিটিগেসন মিজরস’ হায়বসিদা ঙাংবীখিবা স্পিচ অদু তাবদা হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইজে অমদি ঐখোয়না খঙলম উরমদবা তারমদবা কয়াসু অদোমগী স্পিচ অদু তারুবদগী খংজরে মদুগীদমক থাগৎপা ফোংদোকচগে হায়দুনা শোমবু তান্নজরক্লিবনি।

ৱাংঙন্বা :- ওহ ! অদোম্না ঐগী স্পিচ তাবা নুংঙাই তাকপীবগীদমক অদোম্বু থাগৎচরি, অদো শোমগী মীংবু...।

হীয়াইনু :- ঐগী মীং হীয়াইনু কৌজে, ঐ ৰুমেন সাইন্স রাইটর ফোরমগী সেক্রেটরিসু ওইজরি, হৌজিক মালেমসিগী হোংলক্লিবা অইং-অশা, মহৌশাগী ফীভমদা অকাইবা অমাংবা কয়া ওইরক্লিবসিদা খরদংদা ওইরসু মীয়াম্বু এৱেয়ার ওইহনবা ঙমগদরা খঞ্জদুনা ইনভাইরোনমেন্টকা মরি লৈনবা ৱারেং-শৈরেং কয়া ইজরি অমদি ইননবা হোৎনজরি।

ৱাংঙন্বা :- ঙসি হীয়াইনুগা উন্নজবসে ঐসু য়াম্না নুংঙাইবা ফাওজে, ইনভাইরোনমেন্টপু ঙাক শেন্দুনা মহৌশাগী খুৎশেম কায়হন্দনবা অইং-অশাগী খল কায়হন্দনা থন্বদা শোমগুন্বী কয়াগী চাওরবা থৌদাং লৈরিবনি।

ହীয়াইনু :- হন্দক পাংথোক্লিবা কনফরেন্স অসিদি ইন্টেলেকচ্যুল পার্সনশিংখক্তগী নৎতনা মীপুম খুদিংমক হায়বদি কমন পিপল মরুওইনা লৌউ-শিংউবগী লমদা মাংজিল থানা হোৎনরিবা মীওইশিং, এন.জি.ও.শিংগী মীহুৎশিং, লৈকায় লৈকায় ক্লবশিংগী রিপ্রজেন্টেটিবশিং, ৱুমেন ওর্গানাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিং, মীওই মখল শুনা পার্টিসিপেত তৌবা য়ারবা কনফরেন্স অমা ওইনা শিঞ্জা লাংজবনি।

ৱাংঙন্বা :- হন্দক্কী কনফরেন্স অসিদগী মীয়াম্না কান্নবা লৌশিং গ্যান খরদি ফংবা ঙমগদরা থাজে, মীপুম খুদিংমক্না মালেম অসিদা ওইরক্লিবা, গ্লোবেল ৱার্মিং অমদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙদুনা অদুগা মসিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বা পাম্বৈশিং অসি মপুং ফানা পাংথোকপদা কান্নবা য়াম্না পীরগনি থাজে।

কংলৈঙানবা :- (লাকপা) হীয়াইনু ! ঐদি নঙ কদোমদা চৎখ্রগে হায়দুনা কোইথি থীরুরি, নঙদি সিদা কনফরেন্স হোল মমাংসিদা সার ৱাংঙন্বগা ৱারী শাদুনা লৈরম্মী, লঞ্চ ব্রেক টাইম য়ৌশিনলক্কদৌরসিফাওবা লঞ্চ পেক পুরক্কদবা কাংবুদি হৌজিক ফাওবা য়ৌরক্ত্রি, নঙগা পাও ফাওনখ্রবরো।

হীয়াইনু :- ঐগা ঙসাইনা পাও ফাওনখ্রবনে, মোয় ঙহাক লৈরদি য়ৌরক্লগনি।

কংলৈঙানবা :- ওহ! অদুবু ওইরদি ফরে, ঐদি ঐনা ফোন তৌবদসু পাইরক্তবদুদা পাখৎলুরে...। অদো সার ৱাংঙন্বা, সারদি সিলচরদা লৈবা মৈতৈ মচানি অদুগা অমুকসু আসাম য়ুনিভর্সিটি, সিলচরগী ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স দিপার্টমেন্টতা এসোসিয়েট প্রোফেসার ওইনসু লৈবীরিবনিদো, সারনা ঐখোয়না লাকপীনবা ইনভাইট তৌজবদা হরাও-হরাও লাকপীবগীদমক সারবু হন্না হন্না থাগৎপা ফোংদোকচরি।

ৱাংঙন্বা :- ঐবু অসিগুম্বা মী মখল শুনা পার্টিসিপেত তৌবা মীফম অসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগা মরী লৈননা মীয়ামগী মফমদা ৱারোল খরদং হায়জনবগী তাঞ্জা পীবীবগীদমক শিনবী-লাংবীরিবশিংবুসু ইকাইখুম্নবা উৎচরি।

হীয়াইনু :- অদো সার ৱাংঙন্বা ঐখোয়গী কনফরেন্স অসি নুমিৎ হুমনি চুপ্পা চৎথগদবনিনা লোইবা ফাওদং য়াওবীরবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি।

কংলৈঙানবা :- সার য়ারদি মতম খরদং শাংনা ঐখোয়গী মণিপুরসিদা লৈবীদুনা মণিপুরগী লমিৎ-তুমিৎ, ঈশিং-নুংশিৎকী মরমদা খরদং কুপথনা নৈনহনজনিংঙি।

ৱাংঙন্বা :- সোম কংলৈঙানবসে ঐনা হান্না টি.ভিদা, নিউজপেপরদা সোমনা তৌবীরিবা সোসিয়েল ৱার্ক কয়াগী মরমদদি তাজখরে, থেংনজখরে, ঐসু সোমগা অমুক্তং উনজনিংদুনা লৈজরকপনি, হন্দক থেংনবসি তান য়াম চারে, ঐ মতম খরা মণিপুরদা লৈথজদুনা লমদম অসিগী মরমদা খরদং খঙবা ঙম্ননবা হোৎনজগে মসিদা হীয়াইনু অমদি কংলৈঙানবনা মতেং পাংবীয়ু।

হীয়াইনু :- সারনবু ঐখোয়গী লমসিদা মতম খরা লৈবীগে হায়রবদি ঐখোয় য়ুমদা হেক্তা লৈবীয়ু।

চাওরেল :- (কৌরকপা) হীয়াইনু... কংলৈঙানবা...। নোয়বু কদোমদা লৈগেনে, ময়াম লঞ্চ চান্নবসি অমুক্তা শিন-লাংবা য়াওরো লাওনে।

হীয়াইনু :- এ ! ঐখোয় ইতৈনা কৌরে,সার ঐখোয় ইতৈসু জিওগ্রাফিগী প্রোফেসারনি, মীংনা চাওরেল কৌই, লাকও সার লঞ্চ চাননবা তৌরুরসি ঐখোয় ইতৈগসু শক খঙনবীররো লাকপীরো, কংলৈঙানবা চৎসি লাকও....।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাংৱাইরম, মফম: চাওরেলগী য়ুম, সন্ধ্যাগী উচেক-ৱায়ানা খোংবগী মখোল)

তম্পাকলৈমা :- নুমিদাংৱাইরমদি ওইশিনলক্লে তৌরিসে, মোয়মতৈসু হল্লক্তে, মনাওনুপীসু হল্লক্তে, নুমিদাংগী চাক থোংবা মতমদি ওইশিনলক্লে, করি এঞ্জাংবু থোংগদবনো গ্যান তাদে, ঐনা থোকপা অমা হেক থোংলুরে চানিংঙিগা চানিংদেগা ঐদি তৌফম লাকফমগা অমতা খংজদরে তৌরিসে, ঙসাইদগী ফোন তৌবসু তারিরা তাদ্রিরা সুংপাই হেক পাইখৎলক্তে, ঙসিনে খোইদৌসে সুম শাওগৎলক্তুনা ফমুংদা হেক চঙলগা তুমদুনা হেক লৈথোকনিসে (মতোমতা ঙংজবা)।

চাওরেল :- কৈনো সন্ধ্যাসিদা নতোমতা পোরোক শোনবদৌনা নচীন্দু ঙহাক্তা লেপতখৈ পেদ্রো পেদ্রো ঙাংলিদুনা (তুংলোমদগী ঙাংলকপা)?

তম্পাকলৈমা :- হায়মা খঙঙিহে, কৈনো গাড়ী মখোলগা অমতা তাহৌদে, গাড়ী পুরক্ত্রবো কৈদৌরগে।

চাওরেল :- হুম গাড়ী মখোলগা কদাইদগী তানেগে নতোমতা স্বরগা নোন্দখৈ চবেং চবেং ঙাংদুনা অদুম লৈরদবো, সেনে শারেং লৈরকই লৌশিল্লোসে।

তম্পাকলৈমা :- এ ! শরেংসিদি ওন্থোক্লা চাওরেদা, করিগীনো অসুক চাওবা অমা লৈরকইসিবো, মীনে হায়দুনা ঐখোয় অহুমখক লৈরগা, সিদি হাপ্তা অমা চারসু লোয়বা ঙল্লরোয়, অরেম্বদা চাবা ঙমদদুনা লোয়না হুন্দোক্লনি, ঐঙোন্দদি চীঞ্জাক লেমহনবা, মাংহনবা, হুন্দোকপা ফৎতে মহৌশাগী পুক্কে-লনগৈ অরেম্বদা মাংহনবা ফৎতেকা হায়দনা য়াম্না ঙাংদাইনে তামোবো।

চাওরেল :- হায় ঙসি ঐনা শারেং অচৌবা অমা লৈরক্লিবসি মী পীজগে হায়দুনা লৈরক্লিবনিনে।

তম্পাকলৈমা :- এ ! কনাগী মী পীজগদৌরিবা, ঐদিনে শরেংসি থোংবগা ঙল্লোইকো, তামোনা থোকপা অদুম শেল্লগা থোংজৌ, ঐদি য়াওরোইকো।

চাওরেল :- (গাড়ী থৌজিনলকপগী মখোল) নঙগা ঙাংনরিঙৈদা মীদি লাকপু লাকঅমাল্লে, নঙগী চবেং-চবেং ঙাংবদু তোকওকো মী তাখিনিকো।

হীয়াইনু :- সার শোমদা হেক্তা চংবীরকও, কংলৈঙানবা ঙসিদি নঙসু ঐখোয়দা চাক পুল্লপ চামিন্নখ্রসি অদুগা ওইনা হল্লো...।

ৰাংঙন্বা :- কংলৈঙানবা ! চাক চামিন্নরগা হনমীন্নরসি, অদুগা ঐবু অমুক ঐগী লৈফম হোটেল ফাওদং থিনবীরম্মু।

কংলৈঙানবা :- হোয় সার থীনজরমগে, ঙসিদি সারগা লোয়ননা লাকমীন্নবদগী এঞ্জাং অহাওবা চাবা ফংদৌরে।

চাওরেল :- ময়াম সোমদা ৰাইটিং রুমসিদা ঙহাক্তং ফমখিসি, তম্পাকলৈমা (কৌবা) ! সার ৰাংঙন্বহোয় লাকইবসে শকখঙনররো লাওনে নঙবো, সিদা লাওনে।

তম্পাকলৈমা :- (থোরকপা) নমস্তে সার, সারনা ঐখোয়দা সারগী তাংলবা মতম কাইথোকপীদুনা লেংবীরকপগীদমক সারবু হন্না হন্না থাগৎচরি।

ৰাংঙন্বা :- ইতৈমা হেক্তা কৌজরগে, ঐসু ইতৈমাহোয়গা উন্নজবসে য়াম্না নুংঙাইজে, অসুক কুইবসে মণিপুরসিদা অমুক্তা লাক্কে খন্না খন্না অদুম লাকপা ঙমখিদে অদুবু হন্দক্কী ক্লাইমেৎ চেঞ্জগা মরি লৈননা পাংথোকপা কনফরেন্স অসিনা মরম ওইরগা ঐ মণিপুরদা লাকপা ফংজরে।

হীয়াইনু :- ঐ ময়াম থক্লনবা চা অমুক্তা লোনজরুখিগে, ইচে ! ইচেসু সারহোয়গা ঙহাক ৰারী শাদুনা ফম্বীরম্মু ঙহাক পোথাবা ওইনা।

চাওরেল :- হায় চাক থেংখিনি, ঐসু শরেংদু অমুক্তা শেম্নবা তৌরুখিগে।

কংলৈঙানবা :- তামো , শরেংদু ঐ ওইনা হেক্তা শেমজরুরগে ঐদি ঙা শেম্বদা এক্সপার্টনি, ঐ ঙহাক্তংদা শেমগে তামো সারগা ৰারী শাদুনা লৈবীরম্মু।

হীয়াইনু :- অদুদি লাকও কংলৈঙানবা শোমদা চাকখুল্লোমদা চংঙসি লাকও, ঙসিগী চাক থোংবসে ঐগা কংলৈঙানবগনা হেক্তা থোংলগে, পুজারি অনৌবগী খুৎ তংবা ওইনা।

তম্পাকলৈমা :- (নোকপা) হোয়নে ফরেনে মদুনবু, ঙসিদি ঐসু নোয়না চাক থোংলিঙৈদা সার ৰাংঙন্বদগী খঙনীংবা ৰাফম কয়া খঙহৌনবা হংহৌরগে।

চাওরেল :- মালেমসিদা হৌজিক ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী মহৌশাগী পোৎথোকশিং, শেল-থুমগী ফীভম, চীঞ্জাক ৰাৎপগী অৰা-চৈথেংশিং, অমদি হকশেলগী ফীভমদা চাওনা অকাইবা অহোংবা, লায়না মখল কয়া অমা ঐখোয় মীওইবনা মায়য়োক্নরল্লি অদো সার, ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী অৰা-চৈথেং কাহেন্না মায়য়োক্নরল্লিবা লৈবাকশিং অসিগী মনুংদা ঐখোয় ভারত অসিসু অমা ওইরিবনিদো।

ৰাংঙন্বা :- সার চাওরেলনা হায়রিবদু য়াম্নমক চুল্লবা ৰাফমনি, চাওখৎলল্লিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ঐখোয়গী লৈবাক ভারত অসিদসু ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অমদি গ্লোবেল ৱার্মিংগী চৈথেং অসি চাওনা মায়য়োক্নরিবনি। নেসনেল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এডমিনিষ্ট্রেসন (নাসা) গী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা চহি চা অসিগী মনুংদা মালেমগী শাবগী চাং অসি হান্না লৈরম্বা চাংদগী সেলসিয়স ডিগ্রী অমরোম খরা হেন্না হেনগৎলে হায়না হায়রি।

তম্পাকলৈমা :- হোয়নো হৌখিবা চহি খরসিদা শাবগী চাং য়াম্না হেনগৎলে, নিংথমথাগী মতমদগীদি কালেনগী মতমনা য়াম্না হেন্না শাংবা হেল্লে।

চাওরেল :- অদুবুদি হৌখিবা চহি ২০১৭ অসিদা শাবগী চাং অসি চহি চা ১৯গী লোইরমদাই অদুৱাইদা লৈখিবা টেম্পরেচর অদুগী চাংদগী সেলসিয়ন ডিগ্রী অমরোমগী চাং য়ৌনা শাবগী চাং হেনগৎখি।

তম্পাকলৈমা :- মালেমগী অচৌ-অচৌবা সহরশিংদা মীশিং কাহেন্না হেনগৎলকপা, পেট্রোল দিজলনা চেনবা গাড়ী মশিং য়ামখৎলকপা, কল-করখানা মশিং খঙহেন হেনগৎলকপা মরম ময়ামসিদগী এটমোস্ফিয়ারদা য়াওরিবা গ্রীন হাউস গ্যাসশিং কার্বোনডাইওক্সাইদ, মিথেন, নাইত্রস ওক্সাইদ, হাইদ্রোফ্লুরোকার্বোননচিংবশিং অসিগী চাং কাহেন্না ৱাংখৎলকপা মরম ময়ামসিদগী গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্তুনা পোলর আইচ কেপশিং শৌদোরকপগী চাং ৱাংখৎলকপা, নোংজুগী চাংদা অকায়বা অহোংবা কয়া থোরকপা, সমুদ্রগী ঈশিং ইমায় ৱাংখৎলকপদগী সমুদ্র খোঙবান্দা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা মীওই কয়াগী পুন্সি নোংমা নোংমগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবগী চাং হেনগৎলক্লি হায়বসি ঐখোয় অয়াম্বনা খঙলবসু কনামতনা থৌশাদে।

ৱাংঙম্বা :- ইতৈমনা হায়রিবা ৱাফমশিংসে য়াম্নমক চুম্লবা ৱাফম ঙাক্তনি, ইতৈমা ৱারৌবীবদি য়াদে, ইতৈমসিবু করি সবজেক্ট তম্বীরক্কে, ইতৈমনা ঙাংথোরকপসে তাবা য়াম্না নুংঙাইরি।

তম্পাকলৈমা :- ইবুংঙো সার, নতৈমসে এম.এ. সোসিওলোজিদা ফার্ষ্ট ক্লাস ফংজরক্লিবনি, য়ুম হেক পানলকঔদগীদি চাকখুম পানা লৈরে, অয়ুক করি এঞ্চাং থোংশিগে নুমিদাং করি থোংশিগে, ব্রেকফাষ্টকী অচাপোৎ মখল করি করি শেমশিগে, ঙারি, থাও-থুম, মোরোক করি ৱাৎলি, থোং থাক্লবা মচল অৱাৎ-অপা লৈগদবনা করি হায়দুনা নোং হেক ঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবসে কোইচেন চেন কোইনোম নোমদুনা লৈরি হৌজিক্তি।

ৱাংঙম্বা :- (থৱায় তানা নোকপা) ইতৈমনা ঙাংথোরকপসিদি অচুম অচুম্বা ঙাক্তা অদো ইতৈমনবু ইমুংগী কুপনোম নৎতবা থবক তৌগে হায়রবসু হৌজিকসু থবক ৱাৎতনা অদুম লৈগনি ইতৈমাহোয়গুম্বী ক্বালিফাইদ ওইরবীশিংগীদমক্তি।

চাওরেল :- ঐনসু নখোয় নতৈমসে সোসিয়েল ৱেলফিয়ার ডিপার্টমেন্টতা থবক তৌননবা লোয়না শিন লাংদুনা লোইরুরবনি অদুবু মানা তৌনিংদে হায়দুনা শিখাঙ খাঙদুনা হেক্তা য়াদ্রিবনিনে অদুনদি ইমুঙ-মনুংগী কুপনোম নোমদুনা অদুম লৈজবা তাবনি।

তম্পাকলৈমা :- হুম ! ঐনা মপান্দা থবক তৌরিবনি হায়দুনা কোইচৎ চৎতুনা লৈরম্লবদি নোয়গী ইমুংসিদি ক্বাক্লা অদুম চেনখিবা তাবনিনে।

ঈয়াইনু :- সার, চা পুজরক্লে, ময়াম চাসি হান্না অমুক্তা থকখিসি, চাকসু থোংগৎলল্লবনি।

কংলৈঙানবা :- তামো, শারেংদু ননাওনা ফজনা শেমজরল্লবনি থোংবসিবু ঈয়াইনুগা ঐগনা থোংলদি হাওগদবা মান্দে, ইতৈমনা ওইনা অদুম হাওনা থোংবীরো।

তম্পাকলৈমা :- হোয় হোয় ইতৈমা থোংগে হাওনা অদো চাশিদুম হান্না অমুক্তা থক্তোকখিসি।

কংলৈঙানবা :- (চা চীংলগা ঙাংবা) হৌজিক মালেমসিদা ফোশিল ফ্যুল শীজিন্নবগী চাং ৰাংখৎলকপদগী মালেমসিদা ইয়র পোল্লুসন থোক্লকপগী চাং ৰাংখৎলক্লি, ঐখোয় লৈবাক ভারতসু ইয়র পোল্লুসনগী চাং কা হেন্না ৰাংখৎলকপদগী রেস্পিরেটরি দিজিজনা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী পুন্সিবু মাংহল্লি।

ৰাংঙন্বা :- উম, ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গানাইজেসন (ডব্লিউ. ঐইচ. ও.) গী রিপোর্টকী মতুংইন্না মালেমসিদা লৈরিবা মীওই চাওরাক্লা মিলিয়ন তরেৎলোম চহি খুদিংগী এয়র পোল্লুসননা মরম ওইরগা মনুং মতম চাদনা শিহল্লি।

চাওরেল :- এয়র পোল্লুসননা মরম ওইরগা ভারত্তা লৈরিবা মীওই কয়াগী হকশেলদসু চাওনা অমাংবা ওইহল্লি। ইং ২০১৯দা মালেমগী খ্বায়দগী নুংশিৎ শেংদবা মফম ৩০ খনগৎপগী মনুংদা ভারতকী সহর ২১ য়াওই। ভারত্তা এয়র পোল্লুসন থোকহনলক্লিবগী মরমসি চাদা ৫১না ইন্দস্ট্রিয়েল পোল্লুসননি, চাদা ২৭না হৱাগাড়ীশিংদগী থাদোরকপা টোক্সিক গ্যাসশিংদগীনি, চাদা ১৭না চরু মৈ থাবদগীনি অমদি চাদা ৫রোমনা দিৱালিগী ফাইয়র ৱার্কশিং হায়বদি বম্বুলা মৈকাপ্পীনচিংবা থাবদগীনি।

ঈয়াইনু :- সার ৰাংঙন্বা, ভারতকী কেপিটেল সিটি ওইরিবা নিউ দিল্লি অসিসু মালেমগী খ্বায়দগী নুংশিৎ শেংদবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনিকো।

ৰাংঙন্বা :- ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গানাইজেসন (ডব্লিউ.ঐইচ.ও.) গী সর্ভেগী মতুংইন্না মালেমগী খ্বায়দগী ইয়র পোল্লুটেদ ওইরবা সিটি ১,৬৫০গী মনুংদা নিউ দিল্লি অসিসু অমা ওইরিবনি, ভারত্তা এয়র পোল্লুসননা মরম ওইরগা চহি খুদিংগী মীওই মিলিয়ন অনিরোম মনুং মতম চাদনা শিহল্লিবনি।

তম্পাকলৈমা :- ৱারিসি এয়র পোল্লুসনলোমদা চৎথখ্রবনিনা ঐসু মতাং চানা কৈনোমতা হংহৌগেনে ৰাংঙন্বা।

ৰাংঙন্বা :- করি ওইরবনো ইতৈমনা হংবীনিংলিবদু হেক্তা হংবীয়ু, ননাও খুমজগে হায়দুনা রেদিদা লৈজরবনি।

তম্পাকলৈমা :- ইয়র ক্বালিটি ইন্দেক্স (এ.ক্যু.আই.) হায়রিবসিগী মতুংইন্না নুংশিৎ কয়াম শেংঙি নৎত্রগা শেংদে হায়বদু খঙগদৌরিবনি হায়বা অদুনা ইবুংঙো সারনদি ঐখোয়দগী খরা হেন্নদি খংফম থোকপনিনা ইয়র ক্বালিটি ইন্দেক্সকী মতাংদা খরদং শন্দোক্লা হায়বীয়ু।

ৰাংঙন্বা :- ইয়র ক্বালিটি ইন্দেক্স অসি কেটাগোরি তরুক থোক্লা লৈ, এ.ক্যু.আইগী ভেল্যু অসিনা ০দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈরগনা গুদ কেটাগোরি হায়বদি ইয়র পোল্লুসনগী চাং য়াম্না নেম্না লৈরিবা, অশেংবা নুংশিৎ ফংলিবা মফমশিং অসিবুনি, এ.ক্যু.আই.গী ভেল্যু ৰাংখৎলক্লিবগী মতিক নুংশিৎ শেংদবা হেনলকপদা নৎতনা ঐখোয় মীওইবগী হকচাংদা অমাংবা কয়া ওইহনলক্লিবনি।

কংলৈঙানবা :- মরুওইনা নুংশিৎতা য়াওরিবা পোল্লুটেন্টশিং অসি গ্রাউন্দ লেভেল ওজোন, পার্টিকুলেট মেটর, কার্বোনমোনোওক্সাইদ, সলফরওক্সাইদ, নাইট্রোজেন দাইওক্সাইদনচিংবশিং অসিনিকো সার।

ৰাংঙন্বা :- উম উচুম্বনি, ইনভাইরোনমেন্টেল প্রোটেক্সন এজেন্সি (ই.পি.এ.) না নুংশিৎতা য়াওরিবা পোল্লুটেন্টশিং অসি ক্লিন ইয়র এক্টকী মতুংইন্না চাং চানা থমদুনা হায়বদি ইয়র ক্বালিটি ষ্টেন্দার্দ ঙাক্লা থমদুনা মীয়ামবু হকচাং ফনা থন্বা ঙম্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

তম্পাকলৈমা :- হায়মা ঐদি ৰারী নুংঙাইমনখিদুনা চাক থোংগদবনিকা হায়বসি লোয়না হেক কাওথোক্লুরে (নোকপা) ঙসি ঐখোয় পুল্লপ চরা হেনলমনিদা।

চাওরেল :- চাক্তো ঙসিদি ইবানি ওইনা হেক্তা থোংথরুরসি, নোয় নহাশিং ৰারী অমুক শাহৌরোকো...।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক, মফম: কংলৈঙানবগী য়ুম, নুংশিবা উচেক-ৰায়াগী খোঞ্জেল)

কংলৈঙানবা :- এ ! পুংশিদি মঙামখাই তাখ্রেনা তৌরিসিদি, ঐদি ঙরাং থারম্বা মোরোক পান্বীশিংদু ঈশিং চাইবীগদবসু ৰাৎলি, শুমাং ৰাই শিৎকদবসু ৰাৎলি, ঙসিসি লৈকাই ক্লবকী অকোইবা মফম পুম্নমক্তসু উ পান্বী থাবগী প্রোগ্রাম অমসু লৈবনিনে তৌরিসে, ঐবু থবক ময়ামশিবু তৌবা নঙখিদৌরিব্রনে তৌরিসে (মতোমতা মুরুম মুরুম শোনবা)..... ঐখোয় ইমাদুনা অয়ুক ঙন্তাশিদা কদায়দা অমুক চৎখ্রবনোনে লৈবা উদেনে তৌরিসে ইমা... ইমা... ইমা (কন্না কৌবা)।

হীয়াইনু :- (তুংলোমদগী তপ্পা ৰা ঙাংলকপা) অয়ুক ঙন্তাসিদা করিনো অদুক কন্না কন্না ইনেদুবু কৌরিদুবো, ইনেদি আ মমাংগী দুকান্দুদা পোৎ লৈহৌবরা করিনোমা তৌহৌবনি।

কংলৈঙানবা :- এ ! নঙদি কদোমদগী ফাওজিনলকইবা, লাকপগী শাহুমগা অমতা ফংদেনে, করি লৈগে অসুক ঙন্না লাকইসিবো।

হীয়াইনু :- থবক লৈত্রবদি নোয়দা লাকপগাসে য়াদ্রবরো, ঐসে নঙ উনগে লাকপসু নৎতে, নোয় ইনেদো উদবা কুইরে কমায় তৌরিগে না-য়েকপগা য়াওদবরা য়েংগে লাকপনি ইবুংঙো (শাওরি-শাওরি ঙাংবা) ।

কংলৈঙানবা :- অদো হীয়াইনু, ঐখোয় ইমাদি আ দুকান্দা পোৎ লৈহৌরি হায়দাইনে নঙবু ইমা ঙাইহৌখিগদরা ঐদি ইংখোলগী মনা-মশিংশিং ঈশিং অমুক্তা চাইরুখিগে।

হীয়াইনু :- কংলৈঙানবা নঙসে হান্নগা য়াম্না মান্নদরে, ঐনা নঙোন্দগী নতেং খরা লৌই হায়দুনা নঙসে ঐবু য়াম্না থওইরক্তরে।

কংলৈঙানবা :- (নোকপা) কৈনো নঙবু হৌজিক্তা ঐ উনবা লাকপা নৎতে ঐখোয় ইমা উনবা লাকপনি হায়দাইনে অদুনা ইমা ঙাইহৌখিগদরা হায়বগী ৱানি অমুক থওইগা থওইদ্রেগা হায়রিদুনা করিগীনো। নঙনা ঐখোয়দা লাকইসে কদায়দনোমা চৎলুসি হায়বা লাকপা শোয়দনা ওইরিনিনে।

হীয়াইনু :- ঐসে নোয় লৈকায়গী মীনা করি লৈশাবীনো পাখং ময়ুমদা ঙহাক তৈনা লাকইসিবো, মমায়বু ওহ্নোক্লা পানখিদরে হায়নগনি খন্দুনা নোয় ইমা উনবা লাকইনি হায়না নোয় শ্বাইগী মীনা হংবদা হেক হেক ঐনা খুন্বা অদুদা ঙসিদি নঙনা হংবদসু নোয় ইমা উন্নবা লাকইনি হায়না খুমখিবনি অদো...।

কংলৈঙানবা :- অদো হায়বু কৈনো... নঙনা হায়নিংঙিদো প্রপ প্রপ হায়জহৌ, ঐনা ইংখোলদা ঈশিং চাইবা চংখ্রদি নঙ নতোমতা স্বাইদসুম ফম লৈজহৌনি।

হীয়াইনু :- নঙগী ঈশিং চাইবদো ঐসু য়াওগে লাকও চাইমীন্নরুরসি ৱারী সুম শানা শানা।

কংলৈঙানবা :- অদুদি লাকও, অসিদা ঈশিং পেরে লৈরিসে পায়রকও, মনিংগী পুখ্রিদগী ঈশিং শোককৎলগা চাইদোইনি বালতিনসিনা ঐ পায়রক্লগে।

হীয়াইনু :- (চৎনা চৎনা ঙাংবা) কংলৈঙানবা ঐ হন্দক্তি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী ঐখোয় মীওইবদা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অমদি মসিদগী ঐখোয়না করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বা টোপিকসিদা আর্টিকল অমখক ইগে খল্লি অদুনা ইকংনা শোকহল্লবা অমদি ইচাওনা শোকহল্লবা ঐখোয়গী লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা সর্ভে ৱার্ক অমসু তৌনিংঙি, হায়রিবা পুম্নমকসে নঙগী নতেং য়াওদনদি ঐনা ঙমগদবা নৎতে।

কংলৈঙানবা :- ঐনা করম্বা মতমদা নঙগী থবক থৌরম খুদিংদা য়াওদববু য়াওখ্রগেনে।

হীয়াইনু :- অদুবুদি য়াওদেদা, ইহে ঐদি কৈনোমগা হায়গে তৌবনি, ঙসাইদগী অরেম্বদা মরৈ তৌনরিঙৈদা হায়বগা লোয়না কাওরে। সার ৱাংঙম্বদো হয়েং ময়ুমদা হল্লনি হায়না ঐখোয় ইতৈদা ঙসায় হায়রকই হায়।

কংলৈঙানবা :- করিগীনো মানা অশুক থুনা হনগদৌরিদি, মাবু মতম খরা মণিপুরদা লৈখিনি হায়দাইনে।

ইীয়াইনু :- ঐসু মরমদি খঙদে অদুনা হোরেল নুমিদাংৱাইরম ঐখোয় ইতৈনা সার ৱাংঙম্বদো মাগী হোটেলদগী ইবানি খরা লৌরুচো, চা গ্লাস অমমমতং ওইরসু থকমীন্নবা অদুগা ৱারী খরসু শান্ননিংঙি হায়রকই।

কংলৈঙানবা :- (নোকপা) ঐনা ঙসাইনা হায়দরো নঙনা ঐগী নাক্তা লাক্লিসে মরম লৈত্রবদি লাকপীবা জাৎ নৎতে হায়দনা...।

ইীয়াইনু :- হো ইবুংঙো চুমজরো চুমজরো নঙনা, ঐদি পুখ্রিদগী ঈশিং শোক্কৎপা চৎলেকো...।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাংৱাইরম, মফম: চাওরেলগী য়ুম, টি.ভি. কন্না লৈখৎলগা থাবা)

তম্পাকলৈমা :- তামো... তামো... কৈনো তৌবীরিসিবো... তামো... (টি.ভি. কন্না লৈখৎলগা থাবগী মখোল)।

চাওরেল :- কৈনোনে অদুক কন্না কৌরিদুবো, ঐ না পংদেয়ে তপ্না অদুম কৌরসু ঐ নাসে য়াম শেংনা তাজরি (কা অমদগী খুন্নকপা)।

তম্পাকলৈমা :- হুম ঐদি টি.ভি. কন্না থাগৎপদুদা টি.ভি. য়েংলিবোই খল্লুরে অদুগা তামোদি অদোম কাদুদা কৈদৌরিবা।

চাওরেল :- ঐসু টি.ভি.দু য়েংলম্বনি অমুক লাইরিক ঙহাকতুম পারসিরা খন্দুনা হেক রিদিং রুমদা অদুম চৎলবা।

তম্পাকলৈমা :- হায়মা ইলেক্ট্রিক বল্বশিংসিসু লোয়না থাল্লগা লৈরেনে তৌরিসে, ফেনশিসু অদুম উরু-উরু লৈরগা লৈরেনে তৌরিসে, টি.ভি.সিনা মরোল অমা ... (শাওনা মুথৎপা)... তামোসুনে টি.ভি. সে য়েংদ্রদি মুথৎপীরম্বা য়াই, ইলেক্ট্রিক বল্ব, ফেন কান্নদবদা অরেম্বদা লোয়না থারগা লৈরিসিসু মুথৎপীরম্বা য়াই হায়বা, অরেম্বদা মৈ মাংহনবা, ঈশিং মাংহনবসি ফৎতে খংনা খংনা ঐখোয় কনামতনা থৌশাদে।

চাওরেল :- হোয় হোয় ঙসিগী ওইনদি ঐ লাঞ্জরে, মতুংদা ঐ লোয়না মুথৎচরগে, খঙদে ঐসিসু খরা কাওগনলবা হায়দুনি, অতৈ লায়রি নঙবু করি করি চাননবা শিন লাংলগে, সার ৱাংঙম্বহোয়দি লাকপু লাক্লনি।

তম্পাকলৈমা :- মদুগীদমক তামোনা কৈসু ৱাবীয়ু হায়দে, ঙসাইনা ঐনা ফনবা লোয়না শিন লাংদুনা থল্লবনি।

চাওরেল :- (গাড়ী থৌজিনলকপগী মখোল) এ ! হায়নরিঙৈদা মোয়দি লাকপু লাক্লেনে, সার সোমদা হেক্তা লেংশিনবীরকউ।

ৰাংঙন্বা :- অহোয় সার, ঐ মতম খরদংদি মফমসিদা লৈজরগা, লমদমসিগী ইনভাইরোনমেন্টেল কন্দিসনগী মরমদা খরদং খংজনিংবনি অদুবু য়ুমদা অথুবা থবক অমগী চৎতবা য়াদবা মরম অমা লাকপদগী হয়েং অসি চৎনবা হেক্তা তৌজরবনি।

তম্পাকলৈমা :- ঐদি ইবুংঙো সারসে মতম খরদংদি লৈহন্নিংবনি, ইবুংঙোগা ৱারী শাবসি ওন্থোক্না নুংঙাইজখ্রবা।

হীয়াইনু :- সার, ঐনা হৌজিক মালেমসিগী অইং-অশাগী চাংদা অহোংবা অকায়বা লাকপসিদগী অৱা-চৈথেং ফংলক্লিবা অমদি মসিদগী ঐখোয়না করম্না ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়বসিগী মরমদা মীয়ামদা মরুওইনা লাইরিক-লাইশু কাহেন্না হৈজদবা খুঙ্গংগী মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংদা এৱেয়ারনেস প্রোগ্রামশিং মথং-মথং পাংথোকক্কে খঞ্জরি।

ৰাংঙন্বা :- হীয়াইনু, নহাক্না পাংথোক্কে খল্লিবা থবকশিং অসি মায়পাক্কবা হোৎনবদা ঐসু মফমসিদগী হনখ্রগসু সজেসন কয়া তৌরক্কে, ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা ওইনহনলকপা, পীরকপা চৈথেং অসিনা খ্বায়দগী শোকহল্লিবা অসি লাইরবা, ময়ুম-মকৈ নীংথি-নুংঙাইনা লৈজদবা, লাইরিক-লাইশুগী মঙাল ৱাৎনা লৈরিবা মীওইশিং অসিনি।

চাওরেল :- য়াম্না চুম্লবা ৱাফমনি সার ৱাংঙন্বনা হায়বীরিবসে, ৱেদর-রিলেটেদ দিজাষ্টরশিং, ইকং থোকপা, ঈশিং ইচাও থোকপনা মহৈ-মরোংশিং কা হেন্না মাংহনবা, মহৈ-মরোং হৌবা ঙমহন্দবা, অয়োকপা শা-ঙাশিং শিহনবা মরম ময়ামসিদগী লৌমীশিংনা চাওনা অৱাবা মায়োক্লে।

কংলৈঙানবা :- ইন্টরনেসনেল ওর্গানাইজেসনশিং অমদি ঐখোয়গী ভারত সরকারনা মালেমসিবু ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্নবা পান্বে কয়া অমদি লৌখৎলে অদুবু ঐখোয় মীওইবশিং অসিনা চপ মান্ননা পুক্নিং-ৱাখল তামিন্নদুনা, অমতা ওইনা খুৎশম্নদুনা হোৎনরবদতা মায় পাকপা ঙমগদৌরিবনি।

তম্পাকলৈমা :- ঐসু মতাং অসিদা ঐগী অনীংবা খরদং ফোংদোকচহৌগে, ঐখোয় লৈকায় লৈকায়শিং অমদি খুন খুনশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্নবা পুখ্রি অচৌ-অচৌবা মতিক চানা তৌদুনা থম্বা, পাৎ-তুরেল, ঈশিং খোংনচিংবা মোৎশিন্দনা তরু-তনান্না থম্বগী হৈনবীসিমসু লৈহনজনিংঙি।

চাওরেল :- এ ! ঐগীসু মতাং চারিঙৈসিদা অমা হায়হৌরগে, লৌউ-শিংউবদা ঈশিং কাহেন্না চংদবা অদুগা পোৎথোক্তি ফজনা লৈবা মহৈ-মরোং, মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ থাদুনা এগ্রিকলচর সেক্তর অসিসু ফগৎহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

হীয়াইনু :- ঐখোয়না ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেংদগী ঙাকথোক্কে হায়রবদি ইনর্জি সেক্তর অসিসু য়াম্না মরু ওই, ঐখোয়না ফোশিল ফ্যুল কা হেন্না শিজিন্নদুনা গ্রীন হাউস গ্যাসশিং থাদোরকপগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসি রিনিউএবল ইনর্জিশিং মরুওইনা সোলর ইনর্জি, ৱিন্ড ইনর্জি, থর্মেল ইনর্জিনচিংবশিং অসিনা য়ারিবমখৈ মহুৎ শিন্নবা হোৎনবা তাই।

কংলৈঙানবা :- ঐখোয়গী ভারত সরকারনা রিনিউএবল ইনর্জিগা মরি লৈনবা পোলিসিশিং হায়বসি ষ্ট্রেতেজিক প্লান ফোর নিউ এন্দ রিনিউএবল ইনর্জি অমদি নেসনেল সোলর মিসন অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা ঐখোয়সু থৱায় হকচাং য়াওনা থৌদাং য়াফম থোকই।

ৱাংঙন্বা :- সুমাইনা ঙসি ঐখোয় ময়াম ৱারী শাবসে হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা পোকচৈ, ময়াম্না খল্লিবা ৱাখলশিং অসিসু অচুম্বা ঙাক্তনি। নেচরেল দিজাষ্টরনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহি ২০ লোমসিদা চাওরাক্না মীওই ৬,০০,০০০ রোম শিহনখরে অমদি আর্টিক রিজনগী উনগী শরুকশিং অসি ইং লিশিং অনিগা নিফু (২০৪০) ফাওবদদি মাঙখ্রগনি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা থাজনরি, পুম্নমক অসি মালেম অসি শাবা হেনগৎলকপদগী ওইরক্লিবনি।

চাওরেল :- ইন্টরনেসনেল পেনেল ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (আই.পি.সি.সি.) রিপোর্টকী মতুংইন্না মালেম অসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপগী চাং অসি কা হেন্না হেনগৎলক্লি অমদি ঐখোয়না য়াম্না থুনা মালেম অসিদা কার্বোন থাদোরকপগী চাং অসি হন্থহন্নবা হোৎনহৌদবা তারবদি মালেম অসিদা অকিবা ফংলবা চৈথেং কয়া মায়য়োক্নরক্কনি হায়রি।

তম্পাকলৈমা :- সুম খনজিনলুরদি য়াম্না কীনিংঙাইনি, অদো ইবুংঙো নেসনেল এক্সন প্লান ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (এন.এ.পি.সি.সি.)না ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেংদগী ঙাকথোক্নবা থৌরাং কয়া অমদি পায়খৎলি অদুবু ৱাল্ড বেঙ্ককী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্নদি ভারত্তা মীওই মিলিয়ন ৬০০ লোম শাবা হেনগৎলকপা অমদি নোংজুগী চাংদা অকায়বা ওইরকপদগী অৱা চৈথেং কয়া নংলরনি হায়না ঐনা সাইন্স আর্টিকল অমদা থেংনখি।

ৱাংঙন্বা :- অচুম্বনি ইতৈমা, গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগী ঐখোয় মীওইবগী হকশেলদসু কাহেন্না শোকহনলক্লি, মেলরিয়া, দেঙ্গি ফেবর, মিজলস, হিট ষ্ট্রোককী চৈথেং কয়া অমসুং হেনগৎলক্লি।

হীয়াইনু :- ইনন্মা ! ৱারী শারিঙৈদা ঐখোয়দি চা লোনবগা লোয়না কাওরে।

তম্পাকলৈমা :- হোয়নে ইকাও হেক কাওরুরে, লাকও লাকও লোনলুরসি লাকও।

চাওরেল :- ইচাশা...ইনাওশা... কার্বোন থাদোরকপগী চাং হন্থহন্দুনা মালেম অসিবু কন্ননবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌমীন্নরসিকো !

-ম্যুজিক-